# ব্লেম গেম তৌদুনা ভোট খোন্বীগনু : সাপম কেবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস):
মীখলদা মায় পাক্লনবনি হায়দুনা ব্লেম গেম তৌদুনা ভোট খোন্বীগনু, থবক্লা ওইনা ভোট খোন্বীয়ু হায়না লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখলদা পাৎশোই এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা এক্স-এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বর এলিয়স কেবনা ফোঙদোকখ্রে।



কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কনি হায়না পান্নরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা পাৎশোই এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা সাপম কুঞ্জকেশ্বর এলিয়স কেববু মায় পাকহন্ননবগীদমক মীখল অসিগী ইলেক্সন কেম্প্যেন কম্মিটি, ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমদি এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা পোল্লিং বুথ ৪৯গী সব-কম্মিটিশিং শেম্ননবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা মশামক্কী যুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মথক্কী ৱাফম অসি সাপম কেবনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লাক্লিবা মীখল অসিদা কনাদা ভোট পীরগা লমদম অসিগী য়াইফবা ওইগদগে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তেনি। মসিদা কনানা মণিপুর কনগদগে হায়বসু মীয়াম্না খঙলবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মাদি অদু তৌবনি অদা তৌবনি হায়না ব্লেম গেম তৌরগা ভোট খোন্বা তৌবীগনু। ঐহাক্কী ৱার্করশিংনসু কনাগুম্বা অমত্তদা ব্লেম গেম তৌরগা ভোট খোন্বীগনু। ভোট খোন্বা হায়বসিদি তৌথোরকপা থবক্লা খোমগদবনি। থবক অমা তৌবদা পনখৈ অমদি অদুমক লৈগনি। মরম অসিনা হেঞ্জিন্না হায়জিল্লগা ভোট খোন্বগী মতম অদু হৌজিক্তি নৎত্রে। মীয়ামগীদমক থন্মোয় শেংনা থবক তৌগদবা মীহুৎ অদু খনবীয়ু।

পাৎশোই এ সীগী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা পোল্লিং বুথশিংদা অকনবা কেম্প্যেন চখবা হৌরগনি। হৌখিবা হায়বসি হল্লক্লরোই। অদুনা হৌখিবগী থৌদোক কাউথোক্লসি। মাঙলোমদা চঙশিন্দুনা থবক তৌরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাৎশোই এ সীগী তোঙান তোঙানবা পোল্লিং বুথ ৪৯দগী সাপম কেববু শৌগৎপা ৱার্কর কয়ানা শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ইলেক্সন কেম্প্যেন কম্মিটি, ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমদি পোল্লিং বুথশিংগী সব-কম্মিটিশিং শেমখ্রে। কম্মিটিশিং অসিনা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা সাপম কেববু মায় পাকহন্ননবা এ সী অসিগী মফম খূদিংমক্তা মীখলগী কেম্প্যেন হৌননবসু ৱারেপ লৌখ্রে।

## ৱাইল্ডলাইফ ৱীক সেলেব্রেসন মনুংদা উচেক লাংশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়াগী মফম পুম্বদা হৌজিক হৌজিক চয়োল অমা চুপ্পা চখরিবা ৬৬ শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱীকক্কী মরকসিদা ককচিং রেঞ্জকী ষ্টাফশিং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা উচেক লাং থাক্কনবা মরুওইবা পাৎশিং য়াওনা অতোপ্পা মফম কয়াদা চেক তৌবদা ঙসি ককচিং মনিং তেজপুর লৌকোলদা উচেক লাং অহুম থাত্তুনা লৈরম্বদগী ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংনা ফাগৎখ্রে। উচেক অহিংবা খরসু থুরম্বদগী কল্লগা থাদোকখ্রে অমদি মরাল লৈবশিং অদুদি ফাবা ঙমহৌদ্রে।

ঙসিগী উচেক লাংশিং ফাগৎপগা মরী লৈননা এন মুনাল মৈতৈ, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর, ককচিংনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা ঙসি মালেম পুম্বদা শা-উচেকশিংগী মরুওইবশিং খঙনরক্তুনা মখোয়বু কন্দবা য়াদে হায়দুনা চয়োল অমা চুপ্পা ৱাইল্ডলাইফ ৱীক থৌরম পাঙথোক্লরিঙৈ চৈরকসিদা ককচিং মনিং তেজপুর লৌকোলদা উচেক লাংশিং থাক্লম্বা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরাল লৈবা মীওইশিং অদু করিগুম্বা ফাবা তারবদি চহী ৩ জেলদা থম্বা নৎত্রগা লুপা লিশিং ২৫ ফাইন তৌবা য়াই। মরম অসিনা মীয়াম্না লৈবাকসিগী লোবু শিংনবীগনু অমদি মহৌশানা পীবা খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা শা-উচেকশিংবু কন্নবা ঐখোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়না মুনালনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

## পোলিটিকেল টোল্ক অমসুং লাইরিক য়েনবগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস):
মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না লিশাং শিংনা চখদুনা লাকপা ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তম্মিন্নসি অসিগী মখা চখরকপা ওইনা ঙসি এম এস এফকী এফেয়র্স ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সনগী লীচিং মখাদা এম এস এফ অমসুং দি রিদর্স কল্লেক্টিভকা পুন্না খুৎশম্নদুনা পোলিটিকেল টোল্ক অমদি লাইরিক য়েনবগী থৌরম সাইওন রিহেবিলিটেসন সেন্টর, লম্লাইদা হৌদোকখ্রে হায়না এম এস এফকী দ্রগ এফেয়র্স সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাস খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সাইওন রিহেবতা লৈরিবা ইনমেটশিংদা দ্রগ থাদোক্তুনা খুন্নাই অসিগী মশক থোকপা মীওই অমমম ওইননবা পূক্নিং থৌগৎখি। মখা তানা দ্রগনা মরম ওইদুনা লাইরিক তম্বা তোকখ্রবা অমদি থবক শুফম নোম্ফম খঙদ্রবা ইনমেটশিংদসু করিয়র কাউন্সেল্লিং অমদি লাইরিক পাবগী হৈনবী লাক্লবা ৱারোল কয়া ফোঙদোকখি। সাইওনগী ষ্টাফশিংদা এম এস এফ অমদি দি রিদর্স কল্লেক্টিভনা লাইরিকশিং খুদোল তম্লমখি। প্রোগ্রাম অসি মখা তানা মণিপুরগী তম্পাক অমদি চীংগী মফমশিংদা চৎতুনা দ্রগনা শোকহল্লবা নহারোলশিংবু অফবা অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা অমদি ইরমদমগী প্রদক্টিভ ওইবা এক্টিভিটিশিংদা শরুক য়াননবা হোৎনখিগনি হায়রি।

## ফুদ প্রোসেসিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস):
উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়, ইম্ফালদা লৈবা এম/এস জে কে এস ইন্টরপ্রাইজেসকী রেজিষ্টর ট্রেদমার্ক ব্রান্দ অমা ওইরিবা অয়াংলৈমা ফুদনা পরিং নাইনা শীন্দুনা চখরকপা ট্রেনিং প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা নুমীৎ ১০নিগী ওইনা রুরেল এগ্রিকলচরেল এন্দ হোর্টিকলচরেল ৱার্কিং এক্সপরিমেন্ট হায়বা থীমগী মখাদা ফুদ প্রোসেসিংগী ওইবা সর্টিফিকেট বেজ ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না অয়াংলৈমা ফুদসকী প্রোপ্রাইটর জেমস খোংবান্তাবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ট্রেনিং অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ১১দগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফুবালা মখা মমাঙ লৈকায়দা পাঙথোকপা হৌরগনি। লৈঙাক্কী মতেং অমত্তা য়াওদনা অয়াংলৈমা ফুদনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মখল মখা কয়াগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা পান্দমদি মণিপুরগী মহৈ-মশিন হৈরবা থবক শুফম নোম্ফম লৈতদনা ককঙাওনরগা লৈরিবা নহাশিংবু মরোমদোম হিংবা ঙমজননবা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা নুংঙাই য়াইফনা ঈংনা চিক্লা হিংদুনা ইমুং-মনুং পুবা ঙমজননবা পাম্বে অমত্তং অয়াংলৈমা ফুদসনা পীননবা হোৎনজবগী শরুক অমা ওইনা অসিগুম্বা ট্রেনিং অসি পাঙথোকচবনি।

রিসোর্ছ মরাং কায়না লৈতবা, থোইদোক্লা অচৌবা ফেক্টরি, ইন দষ্ট্রিনচিংবা লৈত্রিবা মণিপুরগুম্বা মীপাল তাঙদুনা হিংলিবা, পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদ্রিবা ষ্টেট অসিনা মতৌ করম্না ঐখোয় ইশানা ইশাবু থবক পীজবা ঙম্নবা অমদি পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনগদগে হায়বসি ঙসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইদুনা লৈরি। মসিদগী খরদং ওইরবসু ফীভম ফগৎননবা হায়দুনা লমদমসিদা মরাং কায়না ফংলিবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈশিং অসি নীংথিনা প্রোসেস তৌদুনা ঐখোয়গী মগুন লৈবা ষ্টেট অসিবু শক তাকপা ঙমগদবা প্রদক্ট পুথোক্লবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা অয়াংলৈমা ফুদসনা অসিগুম্লবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকচবনি। ট্রেনিং অসিদা লমদমসিগী নহাশিংবু মতৌ করম্না ওন্ট্রপ্রেন্যুর ওইগনি। মসিদা করি করি চঙই। কনাদগী মতেং লৌগনি হায়বনচিংবা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনবনি। লোয়ননা ইশানা ইশাবু থবক পীজদুনা থবক্তা চিলহাও থিদনবা পাউজেল শন্দোকচবনি। ঐখোয়গী ওইবা লোকেল প্রদক্ট মরাং কায়না নীংথিনা পুথোকচদুনা মীপাল তাঙদনা হিংবা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন চাউখৎচবা ঙম্ননবগী পান্দমদা হায়রিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি অয়াংলৈমা ফুদসনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লনবা পান্দমসু থমজরি। ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ানিংবা নৎত্রগা পুন্না শীনবীনিংবা ৱাখল্লোন মান্নবা ইন্টরেষ্ট লৈবীবা মীওইশিংনা অয়াংলৈমা ফুদসকী ওফিসতগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনসু অসিগুম্লবা থবক থৌরমশিং অসিদা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## পোষ্টর কেম্প্যেন চখখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস):
লেপ্তুনা চখরকপা কোভিদ-১৯ পোষ্টর কেম্প্যেনগী মনুং চন্না শীংজমৈ পার্কিংদা কোভিদ-১৯ এৱেয়র্নেস কম পোষ্টর কেম্প্যেন চখখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পোষ্টর কেম্প্যেন অসিগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খিবদা, হৌজিক মণিপুরগী কোভিদকী লৈরিবা ফীভম অসি পুরা ফৱদি নত্তে। দব্লিয়ু ঐচ ওগী গাইদলাইন মতুংইন্না কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৫গী মখাদা নুমীৎ ৭নি লৈরবদি কোভিদ কন্ট্রোল তৌরে হায়না লৌগনি হায়বা য়াওরি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি হায়রিবা অসিমক ওইদ্রিবনা ঐখোয় চেকশিনবা মথৌ তারি। ঐখোয়না লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং নীংথিনা ঙাক্লা চৎতুনা লাইচৎ অসি ঐখোয় পুন্না থিংমিন্নবা মথৌ তাই। সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানসু মীয়াম তীনবা মফমদা পোষ্টর কেম্প্যেন অসি লেপ্তুনা চখখিগনি হায়খি।

## লাংবন হৈশোই তমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস):
পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি লাংবন থাগী থাশু নুমীৎ অসিদা ফোরম অসিগী লাইওইখ্রবা লমদম অসিগী অইবা-অইবীশিং অমদি ইপা-ইপুশিংদা কোক নোম্না খুরুমজবগা লোয়ননা ইম্ফাল তুরেলদা লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোরম অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম কে সরোজ খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

HL-P/0236/3 to 12 Oct.




# থা শুদনা অঙাং পোকপা

লৌশিং পুক্কে

## চহী খুদিংগী মিল্লিয়ন ৬তি পোল্ল্যুসননা থোকহল্লি

অনৌবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না চহী খুদিংগী থা শুদনা অঙাং পোকপা মশিং মিল্লিয়ন ৬ লোম অমসুং পীক্লিবা অঙাংগী অরূম্বা শুদবগী মশিং মিল্লিয়ন ৩ লোমদি এয়র পোল্ল্যুসনগা মরী লৈনৈ হায়রি। হায়রিবা পেরিনেটেল ইস্যুশিং অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অনীদি ইন্দোর এয়র পোল্ল্যুসন (য়ুম মনুংগী এয়র পোল্ল্যুসন), অনম্বনা চাক থোংবগী ষ্টোভশিংনা থোকহল্লি হায়না ষ্টদি অদুনা ফোঙদোক্লি। ওথরশিংনা হায়রিবা ফিভম অসি অনম্বা অমসুং ময়ায় ওইবা ইনকম লৈবা লৈবাকশিংদনা হেন্না শোকচিনবা থেংনরগসু, এয়র পোল্ল্যুসন হায়বা অসিদি মালেম পুম্বগী ওইবা হকশেলগী খুদোংচাদবা অমনি।

সান ফ্রান্সিসকোদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া অমসুং সিএটলদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী সাইন্টিষ্টশিংনা ওথর ওইখিবা রিসার্ছ অসি পি এল ও এস মেদিসিনদা পব্লিস তৌরকখিবনি।

মদুদা কুমজা ২০১৯দা থেংনখিবা থা শুদনা অঙাং পোকপগী কেস মিল্লিয়ন ৬ লোম অমসুং অঙাং মিল্লিয়ন ৩ লোমদা অরূম্বা শুদবগী কেসকা এয়র পোল্লুসনগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙখিবনি।

ষ্টদি অসি আউটদোর অমসুং ইন্দোর পোল্ল্যুসননা মরম ওইরগা থোকহনবা পেরিনেটেল ইস্যুশিংগী মতাংদা এনালাইজ তৌবা অহানবা ষ্টদিনি হায়না ওথরশিংনা থাজরি। ইন্দোর এয়র পোল্ল্যুসন অদু অনম্বনা চাকথোং ষ্টোভশিংদগী লাকপনি হায়রি। থা শুদনা পোকপা অমসুং পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংগী অরূম্বা শুদবগী শরুক অহুম থোকপগী অনীরোমদি ইন্দোর এয়র পোল্ল্যুসননা থোকহনবা ওইরম্বা য়াই হায়না ওথরশিংনা থেংনখি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা (দব্লিয়ু ঐচ ও)না এষ্টিমেট তৌবগী মতুংইন্না চহী খুদিংগী অঙাং মিল্লিয়ন ১৫ রোমদি থা শুদনা পোকই হায়রি। চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাংশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা মরম অসি থা শুদনা পোকপা (প্রিটর্ম দেলিভরি)গা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসনশিং অসিনি, কমপ্লিকেসনশিং অসিনা কুমজা ২০১৫ দা অঙাং মিল্লিয়ন ১ রোম শিহনখি। অঙাং পোক্লকপদা অরূম্বা শুদবা হায়বা অসিসু হয়েং চাউরক্লগা নাবগী রিস্ক ৱাংবগা মরী লৈনৈ হায়রি।

ষ্টদি অসিনা এয়র পোল্ল্যুসন অমসুং প্রিটর্ম বর্থ, জেষ্টেসনেল এজ এট বর্থ, বর্থ ৱেথ, অমদি লো বর্থ ৱেথ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা পেরিনেটেল হেল্থ ইন্দিকেটরশিংগী মরক্তা লৈনবা মরীশিংবু থিজিনখি।

হান্নগী রিসার্ছনা মাইক্রোমিটর ২.৫দগী হন্থবা পার্টিক্যুলেটশিং য়াওবা নুংশিৎকা পেরিনেটেল ইস্যুশিংগা মরী লৈনৈ হায়বা লৈখ্রে।

কোর্নেল য়ুনিভসিটিগী প্রো. কে মেক্স ঝাংনা হায়, মশিং য়াম্লবা এপিদেমিওলোজিকেল অমসুং টোক্সিকোলোজিকেল ষ্টদিশিংগী মতুংইন্না পার্টিক্যুলেট মেট্টর (পি এম) অসি খ্বাইদগী হেন্না হূ চেনবা কম্পোনেন্টশিংনি।

ষ্টদি অদুগী লিদ ওথর রাকেশ ঘোশনা ষ্টদি অসি মহাক্না করিগীদমক তৌখ্রিবনো হায়বগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা হায়, ঐগী ইন্টরেষ্ট অসিগী সাইন্টিফিক রিজনদগীদি ইমোসনেল রিজননা হান্না হায়গে। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কেপিটেল কোলকটাগী মফম অমদা ঐগী ইহান হানবা থবক্কী এক্সপিরিয়ন্স অদুনা ঐবু হীরম অসিদা রিসার্ছ তৌরক্লবা লমজিংলকখিবনি। খুঙ্গংশিং অদুদা লৈহৌবা অনাবা অমদি মালনুরিশ ওইরবা অঙাংশিং অদুগী শক্তমশিং অদু ঙসিমকসু ইফমদগী মুৎপা নাইনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।



আউটদোর পোল্ল্যুসননা চহী খুদিংগী মীওই মিল্লিয়ন ৪.২ শিহল্লি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা এষ্টিমেট তৌরি। চহী নৌনা মী শিবগী মশিং মিল্লিয়ন ৩.৮ দি ইন্দোর এয়র পোল্ল্যুসন (খুদম ওইনা চাক থোংবগী মৈখু)না থোকহনবনি হায়নসু দব্লিয়ু ঐচ ওনা পারি। অমুক্কসু হায়রিবা ফিভম অসি অনেম্বা অমসুং ময়াই ওইবা ইনকম লৈবা লৈবাকশিংদা থোকই।

মতীক চাদবা ষ্টোভশিংদা অমদি ওপন হর্থশিংদা কোইলা, ষন্থী, অমসুং উনচিংবা মৈ থাবা হায়বা অসিনা হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইবা পোল্ল্যুটেন্টশিং, খুদম ওইনা এয়রবোর্ন পার্টিক্যুলেটশিং খ্বাইদগী হেন্না পুথোক্লবগী মচাকশিংনি। দোশি অমত্তং পানবা কেরোসিনগী থাউমৈ অমনসু প্রোব্লেম অসিদা কন্ত্রিব্যুট তৌই।

অনৌবা ষ্টদি অদুনা, মালেমগী ওইনা থা শুদনা অঙাং পোকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলিবা মফমশিং ওইরিবা সাউথ এসিয়া অমসুং সব-সাহারান অফ্রিকাদা ইন্দোর এয়র পোল্ল্যুসন খ্বাইদগী হেন্না কন্মন ওইবা থেংনখি।

ষ্টদি অদুগী ওথরশিংনা হায়রি মদুদি, হায়রিবা মফম অনী অসিদা এয়র পোল্ল্যুসন নীংথিনা হন্থহনবনা থা শুদনা অঙাং পোকপা অমসুং অরূম্বা শুদনা অঙাং পোকপগী থৌওং চাদা ৭৮ হন্থহনবা ঙমগনি।

এয়র পোল্ল্যুসননা থোকহনবা পেরিনেটেল ইস্যুশিং অসি হেন্না দিভেলপ ওইরবা মফমশিংদসু কন্মন ওই। মসিনা কুমজা ২০১৯দা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা থা শুদনা অঙাং পোকপা মশিং ১২,০০০ রোম থোকহনখি হায়না ষ্টদি অদুনা পল্লি।

এয়র পোল্ল্যুসননা পীরিবা পোৎলুম অসি য়াম্না চাউই, অদুমকপু নীংথিনা হোৎনরবদি মসি য়াম্না চাউনা হন্থহনবা ঙমগনি হায়না ডা. ঘোশনা হায়রি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট মশিং য়াম্না থোক্লরক্লিসিবু মীয়ামগী তশেংনা থৌগল তৌনিংবগীরা?



১২শুবা মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সননা নোংম-নোংমগী নকশিল্লকপসিদা ভোট লেপকদবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংসু তম্পাক্কী এ সী ৪০ অসিদা ঈশিং ইচাওগুম্না নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লিবা অসিবু তশেংনমক মখোয়শিং অসি মীয়ামগীদমক হকথেংননা খনবা, মীয়ামগী অৱাৎপশিং, অৱাবশিংদা কৎথোকপগা লোয়ননা থৌগল তৌনিংলবা মীওইশিং ঙাক্তরা হায়বদু ঙসিগী মীরোলশিংনা য়াম্না কুপ্পা খন্থবগী মতম ওইরি। হায়বদি মতম লৈরিঙৈসিদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংদুগী মাঙলমচৎকী ৱারীশিং মমুৎ তানা খঙলগা মীয়াম্না মখোয়দা এম এল এ ওইবগী হক অদু শীন্নদ্রগদি তুংদা মীয়াম ঐখোয়তমক ৱাহৌগনি। ঙসি মীয়াম্না কেন্দিদেটশিংগী মোইথেমদা মখোয়না পীবা লুপা ৩০০০/৪০০০দা ঐখোয়না মতিক মগুন য়াওদ্রবা মশাগী ওইজবা ঙাক্তা থীদুনা হৌরকখ্রবা মীওইশিংবু এম এল এ ওইহল্লুরবদি মীয়াম ঐখোয়দা নত্তনা হৌগৎলক্লিবা ইচা-ইশু নহারোল কয়াবুসু নীংবা কায়হনগদৌরিবনি হায়বসে খঙবিরগা ইশা-ইশাগী ভোট অফবা এম এল এ অমা ওইবগী মগুনশিং চেল্লবখক্তদা ভোট পীদুনা অফবা এম এল এশিং পুথোকপনা পূম্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। মসিমতংগা খঙমিন্নসি মদুদি মশিং য়াম্লবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট পূম্নমক লোয়না টিকেট ফংগদবা নত্তে হায়বদি টিকেট ফংগদবদি মীওই অমত্তনি। অদুগা করিগী এ সী অয়াম্বদা কেন্দিদেট ময়াম অমা থোক্লগা মীচঙ খোমদুনা মীয়ামগী পুক্নিং লৈতানা লৈহন্দ্রিবগী ৱাহন্থোক করিনো?

❒ টিঐচ বিরেন, নিংথৌখোং -১৪

### নোটানা করিগুম্বা ভোট কারবদি অওনবা অমা লাক্তুনা হেন্না ফবা মীরেপ থোক্লকপসু য়াই



লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা অফবা মীহুৎশিং খন্নবগী তাঞ্জা অমা লৈবাক মীয়ামদা অমুক হন্না পীবিরে। তশেংনা পোলিটিক্স য়াওশিনবগী ৱাদি নত্তে, চুম্নতা ৱাফম খরা ফোঙদোকনিংলকপননি। অফবা মীহুৎ অমা খনবা হায়বসিমদি মীপুম খুদিংনা য়ানরবা ৱাফমনি। হৌজিক্কী ওইনদি মীরেপ ওইরক্কদবা অমদি ওইনিংলিবা খুদিংমক অফবা ঙাক্তা ওইনা উই। মীয়ামগী থৌগল তৌজগে ঙাক্তেনি। অফবা মীরেপ অমা হায়বা তারগদি ইশম-শম্না মহাক্না করিগুম্বা মেম্বর অমা ওইখ্রগা মঙোন্দা শিন্নরিবা মেম্বর অমা ওইবগী পৱার অদু নিয়ম চুম্না পাঙথোকপা ঙম্বা মীশক অদুবুনি। মেম্বর অমগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাংদি অচুম্বা তুংকোয়না চৎনগদবা চৎন-কাঙলোন অমদি লো শেম্বা হায়বসিনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মতাং অসি য়ৌশিল্লকপদনি ইলেক্টর ঐখোয়দা হেন্না-হেন্না লুশিল্লক্লিবসি। ঐখোয়গী ইমাংদা ঐনদি চানিংদবা হাউরা-হাউরবা মথেল লুকোই কয়া অমা থেন্দুনা লৈরে। ঐনা চাগদবসি করম্বা মথেলনো খঙজদ্রে। মথেল অমা চাদবদি ফজদবনিনা চম্ফুত তা হেক লামলুবগুম্বনি। পোল্লিং বুথ মনুংদসুনি, নোটা য়াওরম্মী, কিৎ লাউনা নমলুই, খুদক্তা ঐগী ভোট অমা মাঙজরে। পেন্দবগী খুৎনম ওইরবসু ৱাহন্থোক অমদি লৈহনফম থোকপ্রা হায়না খল্লি। নোটানা করিগুম্বা ভোট কারবদি অওনবা অমা লাক্তুনা হেন্না ফবা মীরেপ থোক্লকপসু য়াই খল্লুবগী ৱাতনি। মরম অদুনা হৌখিবনা হৌখ্রবসু লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি লৈবাক মীয়াম্না পূম্নমক কাউথোক্লগা অফবা মীহুৎ খনমিন্নরসি।

❒ এম বুধ, চীঙামখা মাইস্নাম লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৭।১০।২০২১ ইং, শগোলশেল; নুংথিলগী পুং ১.৪৭ ফাওবা মেরাগী নোংমা পাল্লি, মতুংদি ২নি পাল্লনি।

মেষ: মরুপ মপাংগী মতেং ফংজবা, নিংবা থুংবা অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। অফবা লাইরিক্কী ৱা লৌবা কান্নবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: অয়ুক্তা ওইজবা খরা ৱাৎলসু থেংলপ্পা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি। অনৌবা থৌরমদা খুৎ চাওবা য়ানি। কিগনু অমদি নাপল থাদোকউ-ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: থাজদনা নক্লবনা নতৌদা ৱারৌবা লৈতনবা ঈংথৌ অমদি য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌবা ঙমদনবা ফিংগনু। থেংলপ্পা কান্নবা ফংগনি, মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙওইনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট: অয়ুক্তা চাওনা নিংবা থুংগদবা অমদি মীচং ফংগদবা খোংশাল লৈ। খুৱৌ থাংবা খরা লৈবগীদি খাংবা/থিবা হুম্বা কল্লু। অদুবু লৈজবা লৌশিংদি ফুদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: থেংলপ্পা নিংবা থুংগনি, অনৌবা আশাগা ঈরোয়ননা পাঙবা থবকশিং শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্কনি। নঙগী ওইবা মীগী ৱা তাউ। অনমতদি তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: অয়ুক্তা আশা চাওগনি অমদি লাইবক ফগনি, পাঙগে খনবদো পুং১১গী মমাংদা পাঙবা হৌহৌরো। লাই-গুরু অমদি মীয়াম্না চানবী। নাপলদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা: হরাওবা নুংঙাইবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা অমদি অরং-অরাক/অফবা মীংচৎসু ফংগনি। থেংলপ্পা অফা-অপুন্নবা লৈগনি, হৈ-শিংনা মরুপ লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: অয়ুক্তনা হেন্না অনিংবা ৱাখল্লোন্না পাঙবা থবক মহৈ য়ানগনি। মরুপ/মরি মতা/নক্লবগী মতেং শোয়দনা ফংগনি। চেকশিন্না থম্বা লনদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লান্দবনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস।

ধনু: থবক পাঙগনি, শেল ফংগনি অমদি অরাপ্পা চৎপা নত্রগা অনৌবা মরুপ্তগী কান্নবা ফংগনি। ৱানোম থৌনোম কান্ননি-নিংহন্নগনু। ৱারেপ লৌবা য়ারনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর: থেংলপ্পা মীপাইরম্বা কোকচগনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেং পান্নদি লৌবদা চাওনা কান্নবা ফংগনি। ঙক কনবা অমদি অরুবা ৱারেপ লৌবদি য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্ভ: হোয়া ফগনু অমদি য়েৎনবা য়াওরুনু -নথক থোংবনা ৱারৌবা অমদি কায়নবা নংবা য়াই। অদুবু নচা-ননাই/নহৈ চাওখৎপদি লৈগনি, অরং-অরাক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: অয়ুক্তদি থোইনা কান্নবা ফংজগনি, লম চৎপা কান্নে অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। অনৌবা অফবা লৌশিং তানশিনবা মতাং চাগনি, থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনরম্বা কোকচরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।